HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




লেকচরর এসোসিএশন ওফ মণিপুর ২০১৮ বেটচ্না পেন দাউন স্ট্রাইক চঙশিল্লকপদগী ক্লাস শুনা চথবা ঙমদ্রে হায়দুনা থৌবালগী চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং

লৌশিং পূক্কে : ব্লদ সুগর কা হেন্না ৱাংবা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ চৎলোকো তামো সোনামনি
“পেস্মা নঙসু ঐসু পুমশি -!” ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ খোঙজং চঙশিল্লিবা ওজাশিংগা লৈঙাক্কা য়াশিন্নবা...
লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা মীখল খুদিংমক... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ ইন্টর স্টেট অমদি জুনিয়র স্টেট ওপন...

এস বি আই ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিজনেল বেঙ্ক ওফিসনা শীন দুনা থৌবাল দি সীগী কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা লৌমীশিংবু ৱাখল তাহনখিবগা লোয়ননা লৌমী ৬৯দা এগ্রিকলচর লোনগী সেঙ্কশন লেট্টর খূৎশিন্নবা



Vol. 49, Issue No. 114 | শগোলশেন, ইঙেনগী থাশু | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, July 24, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## এনক্রোচরশিং ইভিক্সন তৌবদা ‘প্রসিদেন্টস রুল’ লৈঙাক্কী অরোইবা পাঙ্গল চাংয়েং -‘এসিদ টেষ্ট’

# থাঙ্গাল কৈথেলদা এনক্রোচরশিং তকথোকপদা য়াইতোং-খমদোংবশিংগীসু ইভিক্সন তৌবা ঙমগদ্রা







জুলাই ২২, ২০২৫দগী হৌরদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মীৎয়েং মখাদা থাঙ্গাল কৈথেলদা চত্থরকখিবা ইভিক্সন মায়োক্নরবা দুকানশিং








থাঙ্গাল কৈথেলগী মফম অমদা এনক্রোচ তৌবনি হায়বা দুকান ইভিক্সন তৌখিবা (ওই) এম জি এভেন্যু (ময়ায়) অমসুং মোইরাংখোম

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস) :**
ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা চলাইরক্লিবা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী মনুংদা থা অসিগী ৪দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা মীয়ামগী লম্বী, লম্বী নাকলগী ফুট পাঠনচিংবদা খোপচিন্দুনা মশা-মশাগী লমদগী হেঞ্জিন্না দুকান, হোটেল/য়ূম শাজিনবা অমদি লম্বীশিংদা নুঙ-লৈঙোইনচিংবা পৈশিন্দুনা থম্বশিংগী মথক্তা ইভিক্সনগী দ্রাইভ চত্থরগনি হায়বগী চেরোল অমা থোক্তুনা এনক্রোচরশিংনা লোগী ৱাংমদা খোপচিনবা লমশিং মশা-মশানা খঙনা থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্নবা খঙহনখ্রবসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম অয়াম্বদা অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইনা মী পুল্লিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলনা কোনশিল্লিবা থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী পরিংদা দি সীগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোরক্তবশিংগী মায়োক্তা ইভিক্সনগী দ্রাইভ চত্থবা হৌরকপদা হকথেংনবা মীয়াম্না লৈঙাক্কা লৌখৎলক্লিবা থবক অসিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লবসু দ্রাইভ অসিনা থাঙ্গাল কৈথেল য়ৌশিল্লকপদদি মফম অসিদা লৈরিবা এনক্রোচ তৌবনি হায়বা য়াইতোং-খমদোংবা/ভি আই পিশিংগী মথক্তসু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা ইভিক্সন চত্থবা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সীনা খূৎমারক্তুনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনদগী এয়রপোর্ট/মালোম ফাওবা, বাবুপড়াগী ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস মমাঙদগীনা শীংজমৈ ফাওবা অমসুং খুয়াথোংদগীনা এসেমব্লি সেক্রেটরিএট লৈরিবা থাংমৈবন্দগী লম্বী পরিংনচিংবদা এনক্রোচরশিংবু জে সী বিনচিংবা শীজিন্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশননা পুলিস, ট্রাফিক পুলিস অমদি এম এস পি সী এলগী ওফিশলশিংগা ফাওবা খূৎশম্নদুনা ইভিক্সনগী দ্রাইভ মথং মথং চত্থরকখিবনি অদুগা ঙরাংদগী থাঙ্গাল কৈথেল য়ৌশিল্লকখিবনি।

থাঙ্গাল কৈথেলগী এনক্রোচরশিংগী মথক্তা চত্থরক্লিবা ইভিক্সনগী দ্রাইভতা লম খোপচিল্লম্বশিংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী মায়কৈদগী অকক্নবা মতম পীদুনা ইভিক্সন চত্থবদা চঙবা শেনফম্বু ফাইন ওইনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা লুপা লিশীং ২, লুপা লিশীং ৫ অমসুং লুপা লিশীং ১০নচিংবগী শেনফমশিং নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশননা পীবা বেঙ্ককী একাউন্ট নম্বরদা পীরক্নবা খঙহনবগী থবকসু চত্থরক্লি।

ঙরাংদগী হৌরকখিবা থাঙ্গাল কৈথেলগী ইভিক্সন দ্রাইভনা ঙসিসু মখা তানা চত্থরকপদগী পাউচে অসিনা চঙশিন্দুনা হকথেংননা য়েংলুবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশননা ওর্দর থোকখিবদগী দুকান অমা-অনীগীদি মসিগী মপুশিংনা থুগাইদুনা লৌথোকচবা নত্তনা এনক্রোচ তৌশিন্দুনা শাজিনবা অতোপ্পা দুকানশিংদি মচি লেঙহৌদ্রি। থাঙ্গাল কৈথেল ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### ঙসিদগী থাঙ্গাল কৈথেল, পাওনা কৈথেল অমসুং খুয়াথোংগী দুকানশিং মতম কক্তনা সট্টর দাউনগী খোঙজং চঙশিল্লগনি লাউথোকখ্রে

### জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্টরগী ৱাফম ঙসি লৈখাই তাগদৌরিব্রা

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস) :**
সঙ্গীৎ নাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী মায়কৈদগী একাদেমি অসিগী সেক্রেটরি রাজু দাসনা জুলাই ২৫, ২০২৪দা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্টর পি বিলাসকী মতম লোইশিল্লকপদগী একাদেমি অসিগী অনৌবা দিরেক্টর অমা খনগদ্রা নৎত্রগা সঙ্গীৎ নাটক একাদেমিনা থোকখিবা ওর্দর অদুদা মহাকপু কন্ত্রেক্ট বেসিসতা চহী অমগী ওইনা জুলাই ২৩, ২০২৪দগী হৌনা ফম অসি পুনবা খঙহনখিবনিনা মহাক্কী কন্ত্রেক্ট বেসিসকী মতম শাংদোকহল্লক্কদ্রা হায়না মণিপুরগী পুঙ, ঈশৈ, জগোয় তৌরিবা আর্টিষ্টশিংনা হংনরক্লিঙৈগী চৈরক্তা হয়েং একাদেমি অসিগী ‘লোকল এদভাইজরি কম্মিটি’ গী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### ৱর্ল্ড ক্লাসকী থাক্তা লৈবা লম্বী ওইহনগনি হায়খিবা তাকয়েলদগী ঘড়ী ফাওবগী লম্বী উফুলনা মী চৎপা ঙম্নদ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস) :**
ৱর্ল্ড ক্লাসকী থাক্তা অফবা মখলগী লম্বী ওইহনগনি হায়খিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ফাওরিবা নাওরেমথোংদগীনা তেরা অমদি তাকয়েল ফাওবগী ফাওদোক ফাওজিন তৌনবদগী ময়াম্না তাকয়েল ইন্দষ্ট্রি লম্বী হায়রগসু খঙনরিবা তাকয়েলদগী ঘড়ী ফাওবগী লম্বীগী ফীভম নোংম-নোংমগী ফত্তবা হেঞ্জিল্লক্তুনা লম্বীসিদা উফুলনা পীক থনবদগী চখোক চৎশিন তৌবা ঙম্নদবদা নত্তনা লম্বী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াদা খক্তা নত্তনা মালেমগী থিএটরগী অতিয়াদা তোমথিল ঙাল্লম্বা রতন থিয়াম নোঙ্গাখ্রে

### এম পি বিমোলনা গভর্ণরদা ষ্টেট হোলিদে ওইহনবীনবা হায়জখ্রে, মণিপুর লৈঙাক্না ঙসি ‘ৱান দে ষ্টেট মৌর্নিং’ পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস) :**
পীকচরবসু মণিপুর আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈবা ষ্টেট অমা ওইবদা নত্তনা লমদম অসি খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিদগী হেন্দোরক্তুনা মালেমগী ওইনসু থিএটরগী অতিয়াদা তোমথিন ঙাল্লম্বা রতন থিয়াম ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ুক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তারকপদা মহাক্না লায়েংলক্লিবা রিমসকী অনা ফমুংদগী নোঙ্গাখ্রে।

নোঙ্গাখ্রবা শক্নাইরবা থিএটর পর্সনেলিটি ওইরমখিবা রতন থিয়াম কুমজা ১৯৪৮গী জন্যুৱারী ২০দা আর্টিষ্টকী ইমুং অমদা তাইবঙদা খোঙদারকখিবনি। অপোকপগী মিংনা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্সতা মমিং লৈরবা গুরু থিয়াম তরুনকুমারনি অদুগা অপোকপীগী মিংনা শক্নাইরবী জগোয়গী আর্টিষ্ট বিলাসিনিনি।

রতন থিয়াম ৱেষ্ট বেঙ্গল নোইদা দিষ্ট্রিক্টকী নবদ্বিপতা তাইবঙদা খোঙদারকখ্রবসু উরিপোক হাওবম দেৱান ...মখা লমায় ৩ কলম ২



### রতন থিয়াম লৈখিদবদা কে সী পিনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩ :** মণিপুর অমসুং লৈবাক অসিগীদা নত্তনা মালেমগী থিএটরগী ফম্বাক্তা শক্নাইরবা থিএটরগী শক্লোন পুদুনা চৎলম্বা রতন থিয়াম্বু কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (পোলিট ব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন) ইবুংঙো ঙাঙোম্না থোরকপা চেরোল অমদা ‘পাবুং রতন থিয়াম’ হায়না মিঙ্গৌরদুনা মহাক্না লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### হোকর কে ঐচ অচৌবগী মহুত্তা পাউচে য়েন্থোকপীয়ু

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস):** মণিপুর হোকর এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খুরাই ইপুম খোংবালদা লৈবা এসোসিএশন অসিগী মেম্বর খোংবান্তাবম অচৌবনা হৌজিক মশাগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

রিলিফ কেম্পকী মহৈরোয় অমনা হায়

## পীক্লিঙৈদগী এন দি এদা তম্নবগী মঙ মঙজরকখি অদুবু কোচিংগী লুপা লিশীং ১৭কী মহুত্তা তঞ্জাই খক্তমক পীয়ু হায়রবসু লৈতবদগী য়াওবা ঙমদ্রে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস) :** পাউচে অসিনা চহী অনী হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিং খক্তা নত্তনা মহৈ-মশিং তম্লিবা মহৈরোয়শিংগসু হকথেংননা উনদুনা মখোয়গী পূক্নিং-ৱাখলগী ৱাফমশিং খঙদোক্তুনা মীয়ামদা ‘হকথেংনবা পাউদম’ গী মখাদা ফোঙদোক্তুনা লাকপগী মখা তারকপদা লান অসিনা মরম ওইরদুনা সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা কোংবা শাবল লৈকায়দা নৌনা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইহরিবা চনম্বম থোইবা মৈতৈ, অপোকপা সী ঐচ দিলিপ, অপোকপী চনম্বম ওংবী নুংশিতোম্বীনা পাউচে অসিদা হায়, ঐহাক্না মঙজরকখিবা মঙলান্দি ক্লাস ত্বেলভ পাস তৌবগা নেশনল দিফেন্স একাদেমি (এন দি এ) দা তমগে হায়দুনা কন্না হোৎননবা পীক্লিঙৈদগী হৌনা খঞ্জরকখিবনি। অদুবু লান অসি থোরকপনা মরম ওইরগা হৌজিক ক্লাস এলেভেন/ত্বেলভ কারকপ্পদগী ইমান্নবশিংনা এন দি এদা তম্নবগীদমক কোচিং চৎতুনা হোৎনরক্লবসু ঐহাক্তি রিলিফ কেম্পতা লৈরকপনিনা কোচিংগী ফী লুপা লিশীং ১৭ পীবা ঙমদ্রে। ঐহাক্না আই দি পি ওইবনিনা কোচিংগী পীফম থোকপা ফীগী শেনফম অসিদগী তঞ্জাই খক্তমক থিয়ু হায়রক্লবসু পুথোক্তুনা থিবা ঙমদ্রে। রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু কন্না হোৎনজদুনা ক্লাস টেনগী এগজামিনেশনদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌজরকখিবনি। (মথং-মথং)



## ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙদবদগী ‘তুরেল অমনবী’ লায়না-তীলনা কয়াগী পোকহনফম ওইরক্কদৌরে

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস) :** মালেমগী মফম পুম্নমক্তা ‘গ্লোবেল ৱার্মিং’ গী খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপদা ইনি দয়াসু য়াওবদা নত্তনা লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরদসু ষ্টেট অসিদা লৈরম্বা চীং, পাৎ-তুরেল, পূখ্রি-খোংবালনচিংবশিং মাঙশিল্লকপনা অঙৗং-অশাগী খলদা নোংম-নোংমগী অকায়বা পীবা হেঞ্জিল্লকপদৌনা তৌরক্লে।



চৈরকসিদা মতম অমদা ঈচেল নাইনা চেল্লম্বা ‘তুরেল অমনবী’ ঙসিদি তুরেল অসিগী তোর্ব্বান অনীগী মনাক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা তুরেললোমদা লম খোপচিন্নরকপনা মফম খরদনা তুরেল অসিগী অপাকপা চাউনা লৈরবসু মফম খরদদি তুরেল অসি খোঙনা কান্দুনা চৎপা য়াবা খোংবালগা মান্নবা মফমসু য়াওরক্লে।

তুরেল অমনবীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫